# দিল্লি কেপিটেলসনা রাজস্থান রোয়লসপু ৩০শুবা লীগ মেচতা রন ১৩দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে



দুবাই, ওক্টোবর ১৪(এজেন্সী): দিল্লি কেপিটেলসনা ঙসি দুবাইদা লৈবা ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ৩০শুবা মেচতা রাজস্থান রোয়লসপু রন ১৩দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী টোস দিল্লি কেপিটেলসকী কেপ্তেন শ্রিয়াস আয়রনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। পনবায়াবদি টিম অনীম্মক মেচ ৭/৭ শান্নখিবদা মেচ ৫/৫ থোইনদুনা পোইন্ট ১০/১০ ফংমিন্নদুনা লৈরি অদুবু নেট রনরেটতা দিল্লি কেপিটেলসনা ফজবা হেন্দুনা অনীশুবদা অদুগা রাজস্থান রোয়লসনা অহুমশুবদা লৈরম্বনি। মুম্বাই ইন্দিয়ন্সসু চপ মান্নবা ফিভমদা লৈরবসু নেট রনরেটতা মখোয়না হেন্দুনা মকোক্তা লৈরম্বনি।

দিল্লি কেপিটেলসকী হৌরকপদা ফিভম শোকখি। ওপনর পৃথিবী সো রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুত্তা চঙলকখিবা রানেসু শুপ্পগী রন ২খক লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী কেপ্তেন শ্রিয়াস আয়র শান্নবা চঙলকখি।

মহাক্কা ওপনর সিখর ধৱননা রন ৯৫ ফাওবা য়ৌহল্লকখি। ধৱন বোল ৩৩দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৫৭তা আউট ওইখি। মখারকপা ইন্নিংসকী ওভর ১৬ লোয়শিল্লকপদা শ্রিয়াসসু বোল ৪৩দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরম্লগা রন ৫৩দা আউট ওইখি। মতম অদুদা দিল্লিগী রন ১৩২ লৈখি। মখাতারকপা বেটচমেনশিংনা রন ২৯ হাপচিল্লগা ইন্নিংস অদু ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৬১ লৌখি।

রাজস্থান রোয়লসনা মায় পাক্কবগীদমক্তা রন ১৬২ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু টিম অদুগী ইন্নিংস শান্নবা লোইশিল্লকপদা বেটচমেন ৮ আউট ওইরগা রন ১৪৮ খক লৌবা ঙমখিবদগী টিম অদু দিল্লি কেপিটেলসকী মখূৎতা রন ১৩দা মায়থীহৌবনি।

রাজস্থান রোয়লসকী মায়কৈদগী হৌরকপদা ফজবা ঙমখি। ওপনর অনীনা ওভর ৩দা রন ৩৭ লৌবা ঙমখি। অদুবু মখোয় অনীগী পার্টনরশিপ অদু জোস বটলর মশাগী রন ২২দা আউট ওইখিবদগী মখা তাবা ঙমখিদে। ষ্টিভেন স্মিথ শুপ্প গী রন ১দা আউট ওইখি। ওপনর বেন ষ্টোক্স অমসুং সঞ্জু সেমসননা রন ৪৬কী পার্টনরশিপ অমা শেমখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। অদুবু বেন ষ্টোক্স ১১শুবা ওভরদা রন ৪১ লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী রাজস্থান রোয়লসকী ফীভম শোকচিনখি। রন ৯৭তগীনা মখা তারকপা বেটচমেন মঙানা শুপ্পগী রন ৫১ খক হাপচিল্লম্বা অদুনা ইন্নিংসকী ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা রন ১৪৮দগী হেনবা ঙমখিদবদগী মেচ অদু মখোয় রন ১৩দা মায়থীবা নংখি।

মায় পাক্কবা দিল্লি কেপিটেলসনা মেচ ৮ শান্নবদা ৬ মায় পাক্তুনা পোইন্ট ১২ ফংবগা লোয়ননা আই পি এল ২০২০গী ওইনা পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙল্লি।

হয়েং সর্জা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা রোয়লস চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোর অমসুং কিংস ইলেভেন পঞ্জাবনা লীগ অসিগী ৩১শুবা মেচ শান্নরগনি।



# নেমারগী হেটট্রিকনা পেরুবু ব্রাজিলনা ৪-২দা থোইখ্রে, অর্জেন্টিনানা বোলিভিয়াবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে



লিমা/লাপাজ, ওক্টোবর ১৪(এজেন্সী): কুমজা ২০২২দা এসিয়াগী লৈবাক কটারনা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী খ্বায়দগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ্পা শরুক য়ান্ননবগীদমক হৌজিক পাঙথোক্লিবা সাউথ অমেরিকা কন্টিনেন্টতী ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা নেমারগী হেটট্রিকনা পেরুবু পাঞ্জল ৪-২দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা অর্জেন্টিনানা বোলিভিয়াবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ঙরাং পেরুনা যুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং লিমাদা লৈবা নেসনল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুগী হৌরকপদা পেরুগী মায়কৈদগী য়াম্না ঙন্না ব্রাজিলগী মায়োক্তা কারিলোনা ৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী ষ্টার প্লেয়র ওইরিবা নেমারনা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা টিম অনী ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৪ চঙশিল্লকপদা পেরুগী মায়কৈদগী টাপিয়ানা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অদুবু মিনট ৫গী মতুংদা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী রিচার্লিসননা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। শান্নবগী অপীবা মতম লোইশিল্লক্কদৌরবা ৮৩ শুবা মিনটতা নেমারনা অমুক্কা হন্না পেনাল্টি অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা পেরুবু ৩-২দা হেন্নদুনা লৈখি। শান্নবগী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ইঞ্জুরি টাইমদা নেমারনা মহাক্কী হেটট্রিক পাঞ্জল অদু চন্দুনা পেরুবু ৪-২দা থোইরগা টিম ১০গী কম্পিটিসন অদুদা মেচ ২ শান্নবদা অনীমক মায় পাক্লগা অজেন্টিনাগা মান্ননা পোইন্ট ৬ ফংমিন্নরগা মাংজিল থারি।

অর্জেন্টিনানা ঙরাং অথেংবদা বোলিভিয়াগী সিটি লা পাজদা শান্নখিবা মেচ অমদা পাঞ্জল হান্না চনবা ঙমখ্রবসু বোলিভিয়াবু অজেন্টিনানা ২-১দা থোইখি।

শান্নবগী পুংখায় ফারক্কদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবা ২৪শুবা মিনটতা বোলিভিয়াগী মায়কৈদগী মোরিনোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। হাফ অদুগী অরোইবা মিনটতা অর্জেন্টিনাগী এল মার্টিনেজনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী পুংখায় হেন্না শান্নরবা ফাওবদা নাকল অনীমক অহেনবা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি। অদুবু অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী কোরিয়ানা ৭৯শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা মাংজিল থাখি। মেচকী লেমহৌরিবা পুংখায় ফাদ্রবা মতমদুদা বোলিভিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মখোয় মায়থীহৌখি।

কুমজা ১৯৩০দা অহানবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী যুম্বু ওইখিবা উরুগ্বে অমসুং ইক্বাদোর লম্বা তৌনবদা ইক্বাদোরনা পাঞ্জল ৪-২দা থোইবা ঙমখি। অহানবা হাফতা ইক্বাদোরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। টিম অদুগী কাইসিদোনা শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিবনি। অদুগা টিমমেট ইষ্ট্রাদানা উরুগ্বেগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর চনবা ঙমদ্রিঙৈদা অহানবা হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমদা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-০দা উরুগ্বেবু মাংজিল থারগা লৈখি।

উরুগ্বেগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফকী পুংখায় ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে। মদুগী ওন্নবদা ইক্বাদোরনা অহানবা হাফতা পাঞ্জল অনী চন্দুনা লৈখিবা অদু মখা তানা অনী অমসু হাপচিনবা ঙমখি। ইষ্ট্রাদানা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অদুগা টিমমেট প্লাটানা শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা উরুগ্বেবু ৪-০দা হেনখি। শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা উরুগ্বেগী লুইস্বারেসনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চনবা হৌখি। মখা তানা মহাক্না ইঞ্জুরি টাইমগী ৫শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগসু পাঞ্জল ওন্থোক্লবসু মেচ অদু মখোয় ২-৪দা মায়থীহৌখি।

ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা পরাগ্বেনা ভেনিজুএলাবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ৮৫শুবা মিনটতা জি মিনেজনা চনখিবনি।

ঙরাং শান্নখিবা মেচ অমদা কলম্বীয়া অমসুং চিলি পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা ড্রো চৎখি। কলম্বীয়াগী লরমানা ৬শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। চিলিগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু ৩৭শুবা মিনটতা ভিদালনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা চনখি। শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা চিলিগী মায়কৈদগী সাঞ্চেজনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা কলম্বীয়াবু মাংজিল থাখি। মেচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা কলম্বীয়াগী ফলকাওনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা টিম অনী পাঞ্জল ২-২দা ড্রো চৎখি।

# হুইদ্রোম থোই আর এফ ৱাই সীগী গ্রেজ্যুয়েট ৯গী মনুংদা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ক্লব বেঙ্গলুরু এফ সীদা শান্নরগনি



মুম্বাই, ওক্টোবর ১৪(এজেন্সী): মহারাষ্ট্রগী নাবী মুম্বাইদা লৈবা আর এফ ৱাই সী (রিলাইয়ন্স ফাউন্দেসন য়ং চেম্পস) একাদেমিগী অহানবা গ্রেজ্যুয়েট ৯গী মনুংদা মণিপুর মচা হুইদ্রোম থোই ইন্দিয়ন সুপর লীগকী টিম অমা ওইরিবা বেঙ্গলুরু এফ সীদা য়াওরগনি।

ফাউন্দেসন অসিগী ফাউন্দর অমসুং চ্যেরপর্সন ওইরিবী নীতা অম্বানিনা ফোঙদোকখিবদা, একাদেমি অসিদগী অহানবা গ্রেজ্যুয়েট ৯না ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা সুপর লীগতা শান্নরিবা শান্নরোয় ওইনা খূদোংচাবা ফংবা অসি একাদেমি অসিগী ওইনা য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি হায়খি।

কুমজা ২০১৫দা লিংখৎখিবা একাদেমি অসিগী অহানবা বেটচকী মনুংদা মখোয় ৯ আই এস এলদা শান্নগদৌরিবনি। হুইদ্রোম থোইনা বেঙ্গলুরু এফ সীদা চহী ৩ হেন্না কন্ট্রেক্ট ইনখিবনি। কেরলা ব্লাষ্টরস এফ সীদা শরুক য়াগদৌরিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি অরিত্রা দাস, মহমদ বাসিত অমসুং বিরেন্দ্র সিংহনি। চেন্নাইন এফ সীদা শান্নগদৌরিবা শান্নরোয় অদু অকিব নৱাব অমসুং জি বালাজিনি। এফ সী গোৱাদনা মহমদ নেমিল, মুম্বাই সিটি এফ সীদনা অয়ুস সিকারা। অদুগা হায়দরবাদ এফ সীদা শান্নগদৌরিবা অদুনা কোষ্টব দত্তনি।

শান্নরোয়শিং অসি কুমজা ২০১৫দগী হৌরগা চহী ৫ আর এফ ৱাই সী একাদেমিদা ট্রেনিং তৌদুনা লাকখিবনি। একাদেমি অসিনা লৈবাক শীন-থুংনা লৈরিবা চহী নৌরিবা নহাশিংবু পান ইন্দিয়া স্কাউটিংগী মতেংগা লোয়ননা খ্বাইদগী অফবা টেলেন্ট অদু খনগৎলগা তুংদা ইন্দিয়াবু ফুটবোলগী সুপর পাৱর ওইহন্নবগী পান্দমদা একাদেমি অসি লিংখৎখিবনি।

একাদেমি অসিদা লৈরিবা ফুটবোল মশান্নদা টেলেন্ট লৈরবা নহাশিং অসি মখোয়না লৈরিঙৈ মতম অদুদা মপূং ফাবা স্কোলারশিপ ফংহল্লি। শান্নবতা নৎতনা একাদেমিককী ওইবা লম্‌দসু মপূং ফাবা ফোকস পীরি। মখোয়না এক্সপরিয়েন্স লৈরিবা ইন্টরনেসনল অমসুং ইন্দিয়াগী কোচশিংগী মীৎয়েং মখাদা ফুটবোল মশান্না অসিগী ট্রেনিং ফংবনি। লোয়ননা আর এফ ৱাই সী একাদেমি অসি ৱর্ল্ড ক্লাসকী থাক্তা লৈবা ফেসিলিটি অমসুং ট্রেনিংগী খূদোংচাবা পী। একাদেমি অদুদনা ফুটবোলগী ট্রেনিং ফংলগা লাইরিক-লাইশুগী মতাংদসু মনাকনকপদা লৈবা কোপারখাইরানেগী রিলাইয়ন্স ফাউন্দেসন স্কুলদা মহৈ-মশিং তম্লি।

নীংশিংবায়াই, হৌখিবা চহীদা আর এফ আই সী একাদেমি অসি এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসননা ষ্টার অনী পীদুনা ইন্দিয়াদা অহানবা রেসিদেন্সিএল একাদেমি অমা ওইরিবনি। লোয়ননা কুমজা ২০১৯দা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা একাদেমি এক্রিদিটেসনগী থৌরাং পায়খৎলকপদা আর এফ ৱাই সী একাদেমি অসি ষ্টার ৫গী রেটিং ফংবা অহানবা য়ুঠ একাদেমি ওইরি।

ফাউন্দর অম্বানিনা মখা তারদুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা হৌজিক লৈরিবা অচৌবা টেলেন্টমশক খঙদোক্তুনা হেন্না অফবা ফুটবোল শান্নবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা মালেমগী অতোপ্পা মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংদা পীরিবা সিষ্টম অদুগা মান্নবা মওংদা একাদেমি অসিদা পীনবা হোৎনরি। হৌখিবা চহীদা নহা ওইরিবা শান্নরোয় ২২ নৌনা প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ারকপগা লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক একাদেমি অসিদা ফুটবোল শান্নরোয় ৬৫ ট্রেনিং ফংলি। মখোয়বু য়েংশিন্ননবা ষ্টাফ ২২ অমসু মফম অদুদা লেংদনা লৈরি হায়না অম্বানিনা ফোঙদোকখি।

থোইনা হৌজিক ফাওবদা মেচ ৫০ শান্নবা ঙমখিবদা পাঞ্জল ৪৫ চন্দুনা গ্রেজ্যুয়েটশিংগী মনুংদা গোল চনবদা খ্বাইদগী হেল্লিবা চহী ১৬তা ঙাইরিবা শান্নরোয়নি।

# মণিপুরগী করাটে টিমনা টিম চেম্পিয়ন ওইরক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪(ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া জেন্দোকাই করাটে এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা নেসনল ওপন জেন্দোকাই করাটে ঈ-কাটা চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা মণিপুরনা গোল্ড ১২ অমসুং সিলভর অমা লৌরগা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

থা অসিগী ১০ অমসুং ১১দা পাঙথোকখিবা ঈ-কাটা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরদগী করাটেকা ১৩না শরুক য়াবদা ১২না গোল্ড মেদল ফংলগা অতোপ্পা করাটেকা অমনা সিভর ফংখিবনি।

কেটগোরি ৪ থোক্না পাঙথোকখিবা অহানবা নেসনল ওপন জেন্দোকাই করাটে ঈ-কাটা চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা গোল্ড মেদল ফংখ্রবশিং অদুদি, নুপীগী ব্রাউন্দ এন্দ ব্লেক বেল্টতা লাইশ্রম গীতাঞ্জলি (চহী ১৮ মথক), মোইরাংথেম লিন্থোই (চহী ১৬-১৭), লাইশ্রম অবেথোই (চহী ১৪-১৫) অমসুং সনাবম দাইনা (চহী ১২-১৩)নি। নুপীগী কলর বেল্টতা গোল্ড মেদল ফংখ্রবশিং অদুদি কোঞ্জেংবম সায়া (চহী ১৪-১৫), লাইশ্রম লিন্থোই (চহী ১২-১৩)নি।

নুপাগী ব্রাউন এন্দ ব্লেক বেল্টতা গোল্ড মেদল ফংখিবশিং অদুদি, মোইরাংথেম লোয়াঙম্বা (চহী ১৮ মথক), কৈশাম লনচেনবা (চহী ১২-১৩) অমসুং লাইশ্রম খুমনঙম্বা (চহী ১০-১১) নি। নুপাগী কলর বেল্টতা গোল্ড ফংখিবশিং অদুনা খুন্দোংবম হ্বাইট (চহী ১২-১৩), এল লুহেনঙানবা (চহী ১০-১১) অমসুং খুন্দোংবম সুরজ (চহী ১০-১১)নি। লোয়ননা সিলভর মেদল ফংখিবা করাটেকা অদুনা নুপীগী কলর বেল্টকী চহী ১০-১১ মনুংদা দল্লিয়ু নিংঙোললৈমনি হায়না ওল মণিপুর জেন্দোকাই করাটে এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ডা. মোইরাংথেম ইবোমচানা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। হায়রিবা অহানবা নেসনল ওপন জেন্দেকাই করাটে ঈ-কাটা চেম্পিয়নশিপ অদুদা কর্নাটকা অমসুং ত্রিপুরানা ২শুবা অমদি ৩শুবা পোজিসন তাখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪(ঐচএনএস): য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্টর ওইরম্বা কোন্সম শ্যামসুন্দর আই এ এসনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা মণিপুর হোকিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মণিপুর হোকিগী জেনরেল সেক্রেটরি সেরাম নেকেননা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমদা, কোন্সম শ্যামসুন্দরনা মণিপুরদা হোকি মশান্নবু চাউখৎনবা হোৎনবদা লৌরম্বা থৌদাংশিং নীংশিংদুনা ঙসি এগজিক্যুটিভ বোর্দকী মীফম অমা ফমদুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না মখা তাখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪(ঐচএনএস): দি যোগ ফিজিক ইন্সটিট্যুট এন্দ ষ্টদিজ মণিপুরগী এক্টিভ এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা লৈরম্বা কৈশামথোং থাংজম লৈরক্তগী সলাম সঞ্জিৎনা ঙরাং মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবদা ইন্সটিট্যুট অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এল দল্লিয়ু অনন্তনা চ্যের লৌরগা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

অমরোমদা, ইন্সটিট্যুট অসিগী এম দি য়ু ব্রাঞ্চনসু মফম অদুদা শান্নরোয় অমা ওইরম্বা সলাম সঞ্জিৎনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমা এম দি য়ু ব্রাঞ্চকী ওজাশিং অমদি যোগগী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈখিদবগী থৱায় মিরেলনা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা থৌনীখি হায়না এ দেৱানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# লীগ এগী গ্রুপ ফোর মেচশিংদা জর্মনি অমসুং স্বিজরলেন্দ ৩-৩দা ড্রো চৎখ্রে, স্পেনবু য়ুক্রেননা ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে



বর্লিন/কিয়েব, ওক্টোবর ১৪(এজেন্সী): য়ুরোপিয়ন নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লীগ এগী গ্রুপ ফোরগী মেচশিংদা জর্মনি অমসুং স্বিজরলেন্দ পাঞ্জল ৩-৩ চন্নরগা ড্রো চৎখ্রে। অমরোমদা য়ুক্রেননা স্পেনবু ১-০দা থোইখ্রে।

বর্লিননিগী রাইন ইনর্জি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুগী হৌরকপদা স্বিজরলেন্দনা পাঞ্জল ঙন্না চনশিনবা ঙমখি। শুপ্পগী ৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী রেমো ফ্রুলরনা পীরকপা বোল অমদা মারিও গব্রানোবিচনা পাঞ্জল চন্দুনা জর্মনিবু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। ইকুই কুইদনা স্বিজরলেন্দগী মখা তাবা এটেক অমদা জর্মনিগী দিফেন্দরশিং অদুবু লান্থোক্তুনা পুশিল্লকপা বোল অমা হেরিশ সেফেরোবিচনা ইন্থোরকখিবদা রেমো ফ্রুলরনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ২৬শুবা মিনটতা চনখি।

জর্মনিগী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জল অথুবদা হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। মদুগী খূদোংচাবা অদু টিমো ৱার্নরনা শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা ফংদুনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা অহানবা হাফ অদু মখোয় ১-২দা শোথদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা জর্মনিগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় হন্দক্তা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী চেলসি ফুটবোল ক্লবতা শরুক য়াখ্রবা কাই হর্বর্টজনা মেচকী ৫৫শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা ২-২দা লৈনখি। স্বিজরলেন্দগী মায়কৈদগী খোঙজেল য়াংনা পুশিল্লকপা বোল অমদা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা মারিও গব্রানোবিচনা ৫৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা জর্মনিবু ৩-২দা হেন্দুনা লৈখি।

জর্মনিগী মায়কৈদগী টিমো ৱার্নরনা স্বিজরলেন্দগী হাফতা পুশিনখিবা বোল অমা মফম চানা চেনশিল্লকখিবা টিমমেট সর্গে নাব্রিদা খাইরকখিবদা অশোয়-অঙাম য়াওদনা নাব্রিনা ইক্বেলাইজর অদু ৬০শুবা মিনটতা চন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ৩-৩দা লৈনখ্রবা মতুং মখা তাবা মেচকী শান্নবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী ড্রো চৎখি।

ঙরাং অথেংবদা গ্রুপ অসিমক্কী মরিশুবা রাউন্দগী মেচ ওইনা য়ুক্রেননা যুম্বু ওইরগা কিয়েব সিটিদা লৈবা ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা স্পেনগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমখি। শান্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ৭৬শুবা মিনটতা য়ুক্রেনগী ভিক্টর সিগানকোবনা চনখিবনি।

# কিদম্বী স্রিকান্ট ২শুবা রাউন্দ চঙখ্রে, অতোপ্পা ইন্দিয়াগী জয়ারাম অমসুং সুভানকর লৈহৌরে



ওদেন্স, ওক্টোবর ১৪(এজেন্সী): দেনমার্ককী ওদেন্স সিটিদা পাঙথোকপা দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ঙসি ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কিদম্বী স্রিকান্ট অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে। অদুবু লৈবাক অসিমক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় ২ অজয় জয়রাম অমসুং সুভানকর দে অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা কিদম্বী স্রিকান্টনা ঙসি ইংলেন্দগী টোবি পেন্টিবু শুপ্পগী মিনট ৩৭তা ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অহানবা গেম অদু কিদম্বীনা লাকচবা হেন্দুনা ২১-১২দা থোইরগা মাংজিল থাখি। অদুবু অনীশুবা গেমদা ইংলেন্দগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা তৌরকখি। মহাক্কী মায়কৈদগী স্রিকান্টগা পোইন্ট ইন্নদুনা লাক্লবা মতুং পোইন্ট ১৮-১৮ ফাওবা মান্নখি। অদুবু মমাংদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ফাওবা ওইরম্লবা কিদম্বী স্রিকান্টনা থংনবা পোইন্ট ২ লৌবা ঙমখিবদগী ২১-১৮দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সুভানকর দেবু মায়থীবা পীরম্বা কানাদাগী জেসন এন্থোনিগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা অদুগা টাইটলসু লৌগনি হায়না চাওনা পানরিবা দেনমার্কমচা এন্দরস এন্টোনসেনগা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অজয় জয়রামগা অহানবা রাউন্দদা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ইকোম কোম্না থোইবা ঙমখি।

অহানবা গেম অদু জয়ারামগী মায়কৈদগী হোৎনখিবা পূম্নমক কান্নবা ফংখিদে। পোইন্ট ৭-৭ ফাওবা মান্নরম্লবা মতুং এন্দরস এন্টোনসেননা মখা তাবা পোইন্টশিং অদু মাংজিল থারগা অদুম্মক চৎখি। জয়ারামগী মায়কৈদগী গেম অদুদা পোইন্ট ১২ য়ৌরকপদা এন্টোনসেননা ২১ য়ৌখিবদগী ২১-১২দা থোইখি। অনীশুবা গেমদা শান্নরোয় অনী পোইন্ট ৪-৪ ফাওবা মান্নরম্লগা এন্টোনসেননা মখা তানা পোইন্ট অদুম্মক হেন্দুনা লৈখি। ২১-১৪দা মেচ অদুবু এন্টোনসেননা থোইখি।

সুভানকর দেবু কানাদাগী শান্নরোয় জেসন এন্থোনিনা ২১-১৩, ২১-৮দা মায়থীবা পীরমখি।

# আই লীগ ক্বালিফায়রদা ভৱানিপুর এফ সী মায় পাকখ্রে

কোলকাটা, ওক্টোবর ১৪(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা আই লীগকী হাঙহৌবা মফম অনী মেনশিন্নবগীদমক শান্নখিবদা ভৱানিপুর এফ সীনা গরৱাল এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী খূদোংচাবা চাওনা লৈখ্রে।

ভৱানিপুর এফ সীগী মায়কৈদগী লীগ ক্বালিফায়র অসিগী অহানবা গেমদা মখোয়না এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদপু মায়থীবা পীখিবনি। ঙসি সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুদা গরৱাল এফ সীগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়বা ঙমখ্রবসু মখোয়না খূদোংচাবা লৌবা ৱাৎপদগী মেচ অদু মায়থীহৌবনি। ভৱানিপুরগী মায়কৈদগী অজানা ২৫শুবা মিনটতা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অনীশুবা হাফতা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় মোলানা পাঞ্জল ১গা চন্দুনা ২-০দা লৈখি। অদুবু গরৱালগী মায়কৈদগী ৭৬শুবা মিনটতা ভারিকোদননা পাঞ্জল ১ হন্দোক্লগা ইক্বেলাইজর ফংদনা মায়থীহৌখি। কোলকাটাগী অতোপ্পা ক্লব মহমদন স্পোর্টিংসু ভৱানিপুরগা মান্ননা পোইন্ট ৬ ফংমিন্নরি।

# বর্দাস্কোনা এন্দি মুরেবু কোলোন ইন্দোরসতা মায়থীবা পীখ্রে

কোলোন, ওক্টোবর ১৪(এজেন্সী): জর্মনিগী কোলোন সিটিদা পাঙথোক্লিবা কোলোন ইন্দোরস টেনিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা স্পেনগী ফর্নান্দো বর্দাস্কোনা গ্রেট ব্রিটেনগী এন্দি মুরেবু ষ্ট্রেট সেট ২দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা সেট অদুদা মুরেগী পাঙ্গল কা-হেন্না য়াওদবা সর্ভিসশিং অদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা বর্দাস্কোনা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইখি। মদুগী মতুং তারকপা অনীশুবা সেট অদুসু বর্দাস্কোনা অমুক মুরেগী সর্ভিস গেম অমগসু ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী টুর্নামেন্ট অদুদা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা অলেকজেন্দর জ্বেরেবকা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিকনা মার্কোস জিরোনবু ৬-২, ৪-৬, ৬-৩দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ফিনলেন্দগী শান্নরোয় ইমিল রুসুবোরিবু ৭-৫, ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্বা স্পেনগী অলিজান্দ্রো ফোকিনাগা লম্বা তৌনরগনি। অতোপ্পা ব্রিটেনগী শান্নরোয় কাইল এদমুন্দনা সাউথ অফ্রিকাগী লোইদ হেদ্রিজগা শান্নবদা ৫-৭, ৬-৭ (১-৭)দা মায়থীহৌখি।




HL-B/6409/27th Sept. to 26th Oct.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com